# ‘শেল লৌরগা ভোট পীরম্বদগী ক্ষেত্রিগাও এ সী শোখরিবনি’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৪ (ঐচএনএস): ইনাৎ লাইনীং অমসুং য়েলহৌমীশিংগী হক কঞ্জবা ঙম্নবা অমসুং অপূনবগী শক্তম (ইন্টিগ্রিটি) পুরকপা ঙম্নবা থৌদাং লৌজগে হায়দুনা থোরকপনি। শেল লৌরগা ভোটিং রাইট পীথোক্লবদগী ক্ষেত্রিগাও এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি শোখরিবনি হায়না লময়ানবা ইপু (খুমন্থেম লখিকুমার) না ফোঙদোকখ্রে।




ৱাফম অসি ঙরাং ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মনুং চন্না টোপ অৱাং লৈকায়গী পোং লন্বীদা লৈবা লময়ানবা ইপুগী যূমদা এ সী অসিগী ওইবা ৱার্করস কনফরেন্স অমা মীওই ৬০০ লোমনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরমদা এ সী অসিদা মথংগী মীখলদা মীরেপ ওইগদৌরিবা লময়ানবা ইপুনা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা ক্ষেত্রিগাও এ সীদগী কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইদুনা লৈখিদবশিং য়াওনা এ সী অসিগী লৈখিদবা মীওই পূম্নমক্কী মফমদা মিনট ২ তূমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

থৌরম অদুদা লময়ানবা ইপুনা মখা তানা হায়, মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম হায়বা ৱাখল্লোন অসিগা লোয়ননা অমসুং মণিপুরগী হৌরক ৱারীদা শাগোন্নবা মফম লাইফমশিং মশক থোক্লা লৈহন্নবা অমসুং ষ্টেট অসিগী ইন্টিগ্রিটি ঙাকপদা অঙম্বা থৌদাং লৌরক্তুনা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা তৌদবা য়াদবা থবকশিং লৈরকপদগী মহাক থোরকপনি। ক্ষেত্রিগাও এ সী খক্তগীসু নত্তনা মণিপুরগী ওইনসু মীয়ামগীদমক পায়খৎনীংবা থবক থৌরম কয়া লৈরি। থবকশিং অদুগী মনুংদা ইরমদম অসিদা লৈজরিবা য়েলহৌমীশিং অসিগী ফিদা মশক থোক্লা লৈহন্নবা হোৎনবগী মতমসু য়ৌরে হায়খি।

ইরমদম অসিগী লোল, ময়েক, ইনাৎ লাইনীং লৈজবা মণিপুরনি। মসিগী মথক্তা মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা লুর-লুরবা লাইফম কয়া মাঙশিল্লকপগী ফীভমদা লাক্লি। ইনাৎ লাইনীং, লোল, ময়েক অমসুং ফিজেৎ-চাকচা, য়েক তরেৎ লৈজরিবা মণিপুরগী য়েলহৌমীনা ঙসিদি শোন্থবা ফীভম অমদা লৈরক্লে। য়েলহৌমী নত্তবশিংনা লাঙ্গোই চন্দুনা য়োৎশিনগদবগী ঙাইদুনা লৈরে। মসিদা য়েলহৌমীশিং কন্নবা হোৎনবদা এসেমব্লিদা শরুক য়াদবা য়ারক্ত্রে। মসিদা য়াওহৌদবা তারবদি য়েলহৌমীশিং করি ওইগনি হায়বা ঙমদবা তাঙ্কক অদু য়ৌরক্লে। মরম অদুনা তুংগী মীরোলগীদমক্তা কলহৌনবগীদমক হোৎনজরকপনি। ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংবু মশক খঙবা ঙম্নবা হোৎনগদবনি। অদুনা ঐখোয় মখাদা অদুমক লৈরক্লিবা অসি লৈতনবগীদমক্তা পোলিটিকেল পার্টিদা য়াওদুনা মীহুৎ ওইরগা এসেমব্লিদা লাউবা চঙই হায়রি।

মীখল পাঙথোকপা হায়বসি অফবা মীহুৎ খন্নবনি। অফবা মীহুৎ খনবা হায়বসিনা পার্টিদা য়েংগদবা নত্তে। অফবা মীদা য়েংলগা খনগদবনি। থবক তৌরক্কদবা অমসুং পোইরৈ মৈতৈ লৈবাক্কী খনবা মীদা ভোট পীগদবনি। মালেমদা ঐখোয়গী পুৱারী লৈজবা অমসুং আইদেন্টিটি মশক তাক্কদবনি। অদুবু হেরিটেজ সাইট ময়াম অসি ঙাক শেন্দুনা থমদ্রগদি ঐখোয়গী আইদেন্টিটি মাঙখিবা তাবনি। অসিগুম্বা ময়াম অসিনা মরম ওইরগা মহাক এসেমব্লি মীখল অসিদা লাই নীংজবা অমনা মীখল থেংননবা হোৎনরকপসি মণিপুরগী ওইনদি মহাক্লা অহানবনি হায়খি।

মরম অদুনা ক্ষেত্রিগাওগী মীয়াম হৌজিক্তি মীকপ থোকপীরো। তাঞ্জাসিদা মীকপ থোকহৌদবা তারগদি হেন্না শোখবা ফীভমদা লাক্লগনি। অফবা মী খন্দুনা ভোটিং রাইট চপ চানা শীজিন্নগদবনি। অফবা মীওই শৌগৎলবদি চাওখৎপা ওইরক্কনি। মণিপুরদা লৈরিবা লাইফমশিংগী মনুংদা চীঙ্খ্রে, পুরুক শৌবীনচিংবদা শেমগৎলক্লিবা অসিদা অঙম্বা থৌদাং লৌজরিবসি ক্ষেত্রিগাও এ সী খক্তগী নত্তে। পোইরৈ মৈতৈ লৈবাক্কীদমক্তনি হায়খি।

## সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী অহানবা ওইনা কারাং খুলদা ড্রোননা ...

*লামায় ১গী মখা...* রোমদমক চঙহন্দুনা খুল অসিদা কোভিদ ভেক্সিন হোনবগী থবক পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্কী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটিনা ইন্দিয়ন কাউন্সিল ওফ মেদিকেল রিসর্স (আই সী এম আর) গা পূন্না খূৎশম্নদুনা শিনবনি। মী য়াওদবা অন-মেন এরিএল ভেহিকল (য়ু এ ভি) নৎত্রগা ড্রোন শীজিন্নদুনা ঈথৎ অসিদা কোভিদ ভেক্সিনশিং হোনবগী থবক অসি ন্যু দেল্লীগী নিরমান ভবনদগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর (হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র) মানসুক মন্দাভিয়ানা ভর্চ্যুএল মোদকী খূৎখাংদা হৌদোরকখিবনি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা অন-মেন এরিএল ভেহিকল (ড্রোন) শীজিন্নদুনা কোভিদ ভেক্সিন দেলিভর তৌনবগী ফিল্ড টেষ্টিংগী মনুং চন্না ড্রোন রিসোর্স এন্দ আউটরিচ ইন নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া (আই-ড্রোন) গী প্রোজেক্ট অসি আই সী এম আরনা অখন্নবা প্রোজেক্ট ওইনা হৌদোরকখিবনি। লোয়ননা ঙসিগী কোভিদ ভেক্সিনশিং ড্রোন শীজিন্নদুনা ঈথৎ অসিদা হোনবগী থবক অদু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরগী লৌকোই পাৎতগী লমথাখিবনি।

ঙসিগী থৌরম অদুবু আই সী এম আরগী ওফিসলশিংনা ‘প্লেন টু আইলেন্দ’ হায়না মীঙ্গৌনখিবগা লোয়ননা ঙসিগী থৌরম অসি সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী মনুংদা ইহান হানবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

আই সী এম আরগী ওফিসলশিংনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মখোয়গী আই-ড্রোন প্রোজেক্ট অসি অহানবা ওইনা কোভিদ ভেক্সিনশিং পুথোক পুশিন তৌবদা খুদোংচাদবা লৈবাক অসিগী মফম খরা খনগৎপদা বিষ্ণুপুর, ইম্ফাল ৱেষ্ট, চুড়াচান্দপুর অমসুং তমেংলোং দিষ্ট্রিক্কী মফমশিং য়াওবনি হায়রি।

লৈবাক অসিগী ওইনসু ইহান হান্না হৌদোকখিবা ঙসিগী থৌরম অদুদা এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (ঐচ এন্দ এফ দব্লিয়ু) ভি ভুমলুনমাং, আই সী এম আর - এন আর আই বি, ঈ সী দিগী হেদ অমসুং দিরেক্টর ডা. সমিরান পান্দা, ষ্টেট মিসন দিরেক্টর ডা. এন শ্যামজাই, ষ্টেট ইম্যুনাইজেসন ওফিসর ডা. টি মনিহার, এক্স এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজম অমসুং এস বির, বিষ্ণুপুরগী এ দি এম ঐচ বোবি, দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী চীফ মেদিকেল ওফিসর (সী এম ও) নচিংবশিংসু শরুক য়াখিবা মীওইশিংগী মনুংদা য়াওখি।

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 86.422373 |
| US Dollar | 74.324223 |
| British Pound | 100.979450 |
| Australian Dollar | 54.074745 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.529329 |
| Japanese Yen | 0.668057 |
| Malaysian Ringgit | 17.806841 |
| Singapore Dollar | 54.759218 |
| South Korean Won | 0.062907 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.819793 |
| Thai Baht | 2.199591 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 45519.00 |
| Mumbai | – | Rs | 45860.00 |
| Delhi | – | Rs | 45738.00 |
| Kolkata | – | Rs | 46140.00 |

**GAS NEWS**

**M/S BASHIKHONG INDANE BOOKING UPTO 29/08/21**
VALID FROM23/08/21
HOME DELIVERY ONLY...
CONTACT NO. 9089709738 / 8794622868
OFFICE TIMING 8.00AM TO 11AM WILL BE DELIVERY FOR 3DAYS

**IMPHAL LPG SERVICE**
(Home Delivery only) Ujjwala connection available :29-09-2021 Update Gas Card With Fresh personal photo . New Contact Office No. 6009392991, 9362654114, 03853560556. Time 8:30 to 12:30 . Those who haven't received send to whatsApp no.9863624773 their form no1.also available 19kg and 5kg .please don't use other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxx xxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app> It's applicable for all of IOCL. Encourage online payment. Please prepare document i.e. Aadhar accompanied with phone no.and voter ID for Ujjwala connection

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 14/09/2021
**BOOKING UPTO: 15/09/2021**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY : 03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM

**CANCHI INDANE SERVICE**
**BOOKING UPTODATE**
19kg & 5kg UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
KWAKEITHEL 6009600531
NAOREM LEIKAI 9863763938 & 7005352782
CONTACT TIMING 08.00 to 10.00am

**TDK GAS**
**BK. UPTO 07/08/21.**
VF. 06/08/21.
HOME DELIVERY ONLY CONTACT NOS. 6909614353/8731992324.
TIMING 9:00AM TO 3:00 PM.

**M/s K&K INDANE SERVICE,**
home delivery only
**Booking uptodate**
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE -9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.
Enquiry no. 9856134465

## কোভিদনা শিখিবশিংগীদমক সুপ্রিম কোর্টকী ...

*লামায় ১গী মখা...* এপেক্স কোর্ট অসিনা ঙসি পীখিবা ওর্দর অসিদা হায়রিবা শেনফম অসি কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুংদা শোয়দনা পীগদবনি। অদুগা পীগদৌরিবা অসিগী মরমনা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগী শিবগী মরমশিং পীরকপদা কোভিদ-১৯না নত্তে হায়বগী দেঠ সর্টিফিকেট পীরকপা য়াওরবসু মদু মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিশিংনা মীওই অদুনা লৈখিদবগী মরম অদু অচুম্বা অশেংবা মওংদা চুমথোক্কদবনি হায়খি।

জষ্টিস এ এস বোপানাসু য়াওখিবা ঙসিগী বেঞ্চ অদুনা পীগদৌরিবা শেনফম অসি কোর্টনা ঙসি পীরিবা জজমেন্ট অসিগী মতুংদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা শিহনবা য়াওরক্লবসু মখোয়দসু পীগদবনি হায়খি।

ওর্দর অসি থবক্তা ওন্থোক্তুনা চৎনহনবা অমসুং লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগী ইমুংদা মতেং পাংবা ওইনা চথনবগীদমক নুমিৎ ৩০নিগী মনুংদা লৈখিদবা মীওই অদুগী মেদিকেল রেকোর্দশিং লৌখৎতুনা গ্রিভান্স রিদ্রেসেল কম্মিটিনা কূপ্পা এগজামিন তৌগদবনি। করিগুম্বা লৈখিদবা মীওইশিং অদুগী মতাংদা দেঠ সর্টিফিকেট মাঙজৌননা পীথোকখ্রবা অমসুং লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী ইমুংগী মায়কৈদগী থৌদোক অদুগী মতাংদা ক্লেম তৌরকপা লৈতবা য়াওরগসু মরী লৈনবা ওথোরিটিনা য়েংশিন্দুনা পীফম থোক্লিবা শেনফম অসি পীননবা হোৎনগদবনি হায়খি। অদুগা পীগদৌরিবা শেনফম অসিসু লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুদা সেন্টর অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মখাদা হান্ননা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী মখাদা শেন্থংশিং পীখিবা য়াওরবসু মদু পূম্নমক্কী মথক্তা হায়রিবা লুপা লিশীং ৫০গী শেনফম অসি শোয়দনা পীগদবনি হায়রি।

এপেক্স কোর্ট অসিনা লৌরক্লিবা ফিরেপ অসি নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী গাইদলাইনশিংগী মতুংইন্ননি হায়বগা লোয়ননা দিরেক্সন অসি ষ্টেট দিজাষ্টর রেসপোন্স ফন্দ (এস দি আর এফ) শিংনসু থবক্তা ওন্থোক্কদবনি হায়খি।

পনবা য়াবদি, লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯গী পেন্দমিক মায়োক্নরকপদগী মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙখিবগী থৌদোক থোরকপগা মরী লৈননা এপেক্স কোর্ট অসিদা এদভোকেট গৌরব কুমার বান্সল অমসুং রিপকন্সালনা পিটিস্নরশিং ওইদুনা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন অমা ফাইল তৌরক্তুনা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবা মীওইশিংদা লুপা লাখ ৪/৪গী শেনফম পীহনবীনবা এপেক্স কোর্ট অসিগী পূক্লিং চিংশিল্লকখিবনি। অদুম ওইনমক পি আই এল অসিগা মরী লৈননা নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী মায়কৈদগী কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরকখিবা মখোয়গী এফিদেভিটতা মেনেজমেন্ট ওথোরিটি অসিগী গাইদলাইন মতুংইন্না লৈখিদ্রবশিংগী ইমুংদা লুপা লিশীং ৫০/৫০গী শেনফম এক্স গ্রেসিয়া ওইনা পীনবগী প্রোভিজন লৈ হায়বা ৱাফম ফোঙদোরকখিবনি।

## মীওই ১৫৪ ফগৎলকখি, অনৌবা...

*লামায় ১গী মখা...* পোজিটিভ কেসশিং অদুনা রিমসতা ৩, জেনিমস ৩ অমসুং অতোপ্পা টেষ্টিং সেন্টরশিংদনা কেস ৯৪ থেংনখিবনি হায়রি। পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অদুদি ইম্ফাল ইষ্ট ২৯, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৩০, থৌবাল ৪, বিষ্ণুপুর ৭, ককচীং ২, উখ্রুল ১৬, চুড়াচান্দপুর ৩, চান্দেল ১, সেনাপতি ৩, ফেরজোল ১ অমসুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ৪নি হায়রি।

অমরোমদা, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুনা ইম্ফাল ইষ্টতগী ২, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৩ অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ১নি। ঙসি লৈখিদবা মীওই ৬সি থারগা হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ১৮৬৮ শুরে। অদুগা ঙসি লৈখিদবা মীওই ৬তুগী মনুংদা ৩দি কো-মোর্বিদিটিজনা মরম ওইদুনা লৈখিদবনি অমসুং মখোয় তরুক্কী মনুংদা মীওই ১দি কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপথোক্লবা মীওইনি হায়রি।

লোয়ননা ঙসি থেংনখিবা অনৌবা পোজিটিভ কেস ১০০ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা থেংনবা অপূনবা পোজিটিভ কেস মশীং ১,২১,১৪৬ (মীচম মীয়াম - ১,১৬,৮৫৬ অমসুং সী এ পি এফ - ৪,২৯০) শুরে। অদুগা অপূনবা ফগৎলকখ্রবা কেস মশীংনা ১,১৭,০৭৬ (মীচম মীয়াম - ১,১২,৮১২ অমসুং সী এ পি এফ - ৪,২৬৪) শুবগা লোয়ননা ঙসি ফাওবদা লৈখিবা অপূনবা এক্টিভ কেসকী মশীংনা ২,২০২ (মীচম মীয়াম - ২,১৮১ অমসুং সী এ পি এফ - ২১) নি হায়রি।

রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৬.৬৪ য়ৌরে হায়রি। লোয়ননা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা খুদোংচাবা ফংহনখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী অপূনবা মশীংনা দি টাইপ - ১০৬২ অমসুং বি টাইপ - ৩৮২নি হায়রি। লোয়ননা ঙরাং খক্তদা মীওই ৯৯৭ হীদাক কাপথোকখিবা থারগা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯গী হীদাক কাপথোকখিবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ১৭,১৯,৮৯৯ (অহানবা দোজ - ১২,২৫,৯৪৩ অমসুং অনীশুবা দোজ - ৪,৯৩,৯৫৬) শুরে হায়রি। ঙসিগী ওইনা লৈখিবা পোজিটিভ ওইবগী চাংনা চাদা ৫.১নি। লোয়ননা ঙসি টেষ্ট তৌখিবা অপূনবা সেম্পল মশীংনা ১,৯৫৫নি। মসিগী মনুংদা মীওই ১০০ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখিবনি। ঙসি পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবা অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী মনুংদা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মীওই ৬ টেষ্ট তৌবদা লোইনমক নেগেটিভ ওইরমখি। অদুগা জিরিবাম, তমেংলোং অমসুং তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু মথংশিংনা মীওই ৯৫,৬০ অমসুং ২৭ টেষ্ট তৌখিবগী মনুংদা লোইনমক নেগেটিভ ওইরমখিবনি হায়রি।

## নোংমগী খোঙচৎতা ভাইস...

*লামায় ১গী মখা...*অমসুং ষ্টাফশিংগা লোয়ননা ফোটো সেসন অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা মফম অসি থাদোক্তুনা চৎখিগনি। অদুম ওইনমক নুংথিলগী পুং ২ তারকপদগী পাঙথোক্কদবা টেক্নিকেল সেসনদা ‘বাইও ইকোনোমি ফ্রেম বাইও রিসোর্সেস ওফ নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন ওফ ইন্দিয়া’ হায়বসিগী মতাংদা নেসনল সেমিনর অমসু পাঙথোক্কনি। সেমিনর অসিগী টেক্নিকেল সেসন অসিদা আই বি এস দিগী মায়কৈদগী গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী দিপার্টমেন্ট ওফ বাইও টেক্নোলোজিগী সাইন্টিষ্ট-ঈ ডা. মনোজ মোদি, নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, জোরহাটকী সী এস আই আরগী দিরেক্টর ডা. গাড়িকাপতি নরহরি সাস্ত্রি, ববিনা দাইগ্নোষ্টিক ইম্ফালগী মেনেজিং দিরেক্টর ডা. টি ঐচ ধবলি, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী লাইফ সাইন্সকী হান্না দিন ওইরম্বী প্রোফেসর জি এ শান্তিবালা, কোলকটাগী দেক্লিবেক টেক্নোলোজিষ্ট প্রাইভেট লিমিটেদকী এম দি ইন্দ্রানিল দাস, দ্বেলর প্রাইভেট, ইম্ফালগী এলিজাবেথ য়াম্বেমনচিংবা মীওইশিংনা শরুক য়াদুনা ৱা ঙাঙগনি। অদুগা টেক্নিকেল সেসন অসিগী অরোইবা ৱারোলনা আই বি এস দি অসিগী দিরেক্টর প্রোফেসর পুলোক কুমারনা পীরবা মতুংদা আই বি এস দি অসিগী সাইন্টিষ্ট ডা. হুইদ্রোম শান্তিবালানা শরুক য়াখিবশিংদা থাগৎ ৱাহে ফোঙদোক্কনি হায়রি।

# অবোনমাই মীহাৎকী কেসতা পুলিসনা ফোরেন্সিক এক্সপর্টশিংগী ওপিনিয়ন লৌরমদ্রি

*লামায় ১গী মখা...*এজেন্সী (এন আই এ) দা থিজিনহনবীনবা অনীরক হন্না হায়জখিবা অমসুং সেপ্টেম্বর ৩০, ২০২১দা হোম মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসনগী থবক এন আই এদা চথনবা দিরেক্সন পীখিবা অদুনা মরম ওইরদুনা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসনগী থবক চপ লেপ্তুনা লৈরক্লিব্রা হায়বগী ৱাহং থোরক্লি। অদুম ওইনমক হোম মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী কেস অসি এন আই এদা শীন্নদুনা থিজিনহন্নবা দিরেক্সন পীখ্রবসু হৌজিক ফাওবদদি ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী অসিগী মায়কৈদগী তমেংলোং পি এসনা লৌখৎখিবা কেস অসি মখোয়না লৌশিল্লে অমসুং হৌনবী মতুংইন্না এন আই এগী ওইবা রেগ্যুলর কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলে হায়বগী ৱাফম ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

লৈখিদ্রবা অথুৱান অবোনমাইগী হকচাং রিমসকী মোর্চ্যুৱারিদা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌখিবা অদুগী রিজল্ট/রিপোর্টতি ইন্সটিট্যুট অসিগী ফোরেন্সিক মেদিসিন দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী মতমগী মতুংইন্না এগজামিন তৌরবা মতুংদা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসরদা শোয়দনা পীরক্লগদবনি। অদুবু পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌখিবগী রিজল্ট/রিপোর্ট অদু খক ঙাইবগী মহুত্তা কেস অসিগী আই ওনা থৌদোক অদুগা মরী লৈনবনি হায়বা মীওই ২ খকসু ফাগৎতুনা সেপ্টেম্বর ২৮, ২০২১দা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট, তমেংলোংগী চার্জ পুরিবা সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা পুথোরক্তুনা নুমিৎ ৯নিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌথদুনা ৱাহং পাউহং তৌবগী থবক চথরক্লিবনি। লোয়ননা চেন্নবনি হায়দুনা ফাগৎলিবা মীওই অনীসিদগী মখোয়না শীজিন্নরম্বা মোবাইল হেন্দসেট পূন্না ৬ রিকোভর তৌখ্রবনি। মসিগী মথক্তা লৈখিদ্রববু হাৎপদা শীজিন্নবনি হায়বা ফি য়াওনা নূঙথং অমদি মহাকপু ফারগা পুদুনা চৎপদা শীজিন্নবনি হায়বা মারুটি জীপসি (অঙৌবা মচু) এন এল - ০৭/সী-৫৮৭৩ অমসুং ঈ তৈরবা পোৎলমশিং সিজ তৌখিবা লৈরবনি।

অদুম ওইনমক লৈবাক ৱাথোক ওইরক্লিবা কেস অসিগী মতাংদা ঙসি ফাওবদা পুলিসকী মায়কৈদগী সিজ তৌখ্রিবা কেস অসিগী এগজিবিটশিং অসিগী মতাংদা ফোরেন্সিক এক্সপর্টশিংগী ওপিনিয়ন লৌননবা থবক অমত্তা লৌখৎলমদবা হায়বসি আই ওগী মায়কৈদগী অচৌবা অহোবা অমা ওইগদৌরিব্রা হায়নসু হংনরক্লি।

থৌদোক অসিগী মায়োক্তা শেমখিবা জে এ সী এগেনষ্ট দি ব্রুটেল মর্দর ওফ অথুৱান অবোনমাইনা লৈঙাক্তা পীশিনখিবা মখোয়গী চার্টর ওফ দিমান্দশিং অদুদা য়াওরিবা ৱাফমশিং অদু থবক্তা ওন্থোরক্তে হায়দুনা নেসনল হায়ৱেশিংদা পুং ৪৮গী রোদ ব্লোকেদ চথ্রবা মতুংদা পুং ২৪গী মণিপুর পূম্বদা টোটেল শটদাউনগী খোঙজং ফাওবা চঙশিল্লক্তুনা মখোয়গী দিমান্দশিং তকশিন্দুনা লাক্লিবনি।

কেস অসি মণিপুর লৈঙাক্লা হায়জখিবা অমসুং হোম মিনিষ্ট্রিনা পীখিবা ইন্সত্রক্সনগী মতুংইন্না এন আই এনা নৌহৌননা মখোয়গী ওইবা কেস অমা লৌখৎতুনা মসিগী ইনভেষ্টিগেসন চথরক্লগসু এন আই এদা পুলিসকী মায়কৈদগী কেস অসি ওফিসল ওইনা খূৎশিন্নদ্রিবা ফাওবদদি তমেংলোং পি এসকী মায়কৈদগী কেস অসিগীদমক মরু ওইনা চেন্নরিবা ম্যেন এক্ক্যুইজশিং ফাগৎপা ঙমদ্রিবনা মখোয়বুসু কেস অসিগা মরী লৈননা বুক তৌবদা মতেং ওইননবা য়ারিবমখৈ পন্থদনা হৌজিক ফাওবদা রিকোভর তৌরবা কেস অসিগী এগজিবিটশিং অদুগী মতাংদা এক্সপর্ট ওপিনিয়নশিং লৌননবা প্রোসেস মাঙজৌননা তৌরম্বা য়াবনি হায়রি। ঙরাং ফাওবদা জে এ সীগী মীহুৎশিংগা চীফ মিনিষ্টরগা অহুল্লক শুরকপা ওইনা উনদুনা ৱারী শানরবা ফাওবদা নাকল অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরকপা ঙমদনা লৈরক্লিবনি।

অমরোমদা, টোটেল শটদাউন অসিনা মরম ওইরদুনা কোভিদ-১৯গী ফীভম খরা ফগৎলকপদগী হাংদোক্লবা হৌরকখিবা খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেলশিং, মসিগী অকোয়বদা লৈবা মরু ওইবা দুকানশিং য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট অয়াম্বদা লৈবা দুকানশিং থোঙ হাংনখিদে। লৈঙাক্লা অয়াবা পীবদগী সর্ভিস তৌবা হৌনরক্লবা পেসেঞ্জর বসশিং য়াওনা ইন্টর ষ্টেট অমসুং ইন্টর দিষ্ট্রিক্টকী মরক্তা পেসেঞ্জর সর্ভিস তৌরক্লবা গাড়ীশিং চেন্নখিদে। জে এ সীনা কৌদুনা চথরক্লিবা টোটেল শটদাউন অসিবু তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং, ষ্টুদেন্ট বোদিশিং অমসুং পোলিটিকেল পার্টিশিংনা অমত্তা ওইনা শৌগৎনখি। মফম অয়াম্বগী লন্বীশিংদা খোঙজং অসিবু শৌগৎপা মীওইশিং থোক্লরক্তুনা টায়রনচিংবা মৈ থাদুনা লন্বী থিংখি। মফম খরদনা লন্বী ময়ায়দা উ-ৱা ফৈজিন্দুনা শম্বল খাজিনবগী থবকসু চথুখি।

টোটেল শটদাউন অসিগী মাঙওইননা ঙরাং কোংগ্রেসকী ৱাঙাঙলোই অমনসু খোঙজং অসিদা শৌগৎপা ওইনা পার্টিগী ওফিস ঙসিগী ওইনা থোঙ লোনবগা লোয়ননা হান্না পাঙথোক্কনি লেপ্লম্বা পোলিটিকেল এক্টিভিটিশিংসু কেন্সেল তৌরে হায়বা ৱাফম ফাওবা ফোঙদোকখিবা লৈখিবনি।

লোয়ননা অথুৱান অবোনমাই হাৎখিবা থৌদোক্তা চেন্নবা মীওইশিং পুথোকউ হায়বা য়াওনা চঙশিনখিবা ঙসিগী টোটেল শটদাউন অসিদা শৌগৎখিবা উরিপোক অপূনবা লূপ অমসুং উরিপোক অপূনবা নুপী লূপনা লন্বী থিংজিনবা খক্তা নত্তনা উরিপোক অপূনবা লূপকী জেনরেল সেক্রেটরি সামোম দ্রুবনা ফোঙদোকখিবদা অবোনমাইবু ফাদুনা পুখ্রগা মীহাৎ থীনা হাৎতোকখিবা অসি লমদম অসিগী লাইবক থীবনি। মরম অদুনা থৌদোক অসিগী মতাংদা অচুম্বা পুথোকপীদুনা মীহাৎপশিংদা পীফম থোকপা চৈরাক পীদ্রিবা ফাওবা জে এ সীনা চঙশিল্লকপা খোঙজং খুদিংমক্তা শরুক য়াগনি হায়খি।

ঙসি লূপ অসিনা চঙশিনখিবা খোঙজংদা অনা-লায়েং অমদি তঙাইফদবা থবকশিং অমসুং ইসেন্সিএল সর্ভিস খক নত্তনা অতৈদদি অথিংবা থমখি হায়রি।

উরিপোক অপূনবা নুপী লূপকী সেক্রেটরি জেনরেল চোংথাম ইবেতোম্বীনসু মীহাৎ অসি য়াম্না থম্মোয় শোকপা থৌদোকনি হায়দুনা ঙসিগী খোঙজং অসি শৌগৎপনি। অশেংবা মীহাৎপশিংদা চৈরাক পীদ্রিবা ফাওবা জে এ সীনা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা শৌগৎখিগনি হায়খি।

মণিপুরগী অপূনবা শক্তম শাগৎপা পামজরম্বা মীওই অমবু হাৎতোকপীবা হায়বসি তৌফম থোক্তবনি। মরম অসিনা থৌদোকসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং ফাদুনা চৈরাক পীগদবনি হায়খি।

ঙসিগী খোঙজং অসিদা ওল ফুমলৌ মৈরা পায়বীনসু মপূং ফানা শৌগৎলক্তুনা য়ানীংদবা ফোঙদোকখি অমসুং মফম অদুগী লন্বী উ-ৱা পৈশিন্দুনা থিংদুনা অচৎ অওক তৌহনখিদে হায়রি।

লোয়ননা থৌদোক অসিগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সীগী মীদিয়া সেলগী মায়কৈদগী থোরকখিবা চেরোল অমদা ঙসিগী খোঙজং অসিবু মপূং ফানা শৌগৎপীখিবা য়ু সী এম, অমুকো, ইপসা, এম এম দব্লিয়ু ও, য়ু পি এফ, মপি কাউন্সিল, সী এল কে, পান্দম, হেরিকোন, অকোম লূপ, অমকিল, নুপী সমাজ, তম্মী-চীংমী, নোংপোক লৈঙাক অপূনবা নুপী লূপ, অনুল, নিমপাল, থৌবাল ইমা, য়ু এম ও, থানিল, নিপকো, কাদা, উপাকো, এম্পফা, ইচল, ইভফম, মচা লৈমা, এমসু, দেসাম, এম এস এফ, কে এস এ, সুক, এইমস, টি য়ু সী, এম সী এম অমসুং এন সী ঐচ আর ওনচিংবগী লুচিংবশিংবু তৌবীমল খঙবা উৎলক্লি।

লূপশিং অসিদা নত্তনা মফম পূম্নমক্কী মৈরা পায়বী অমসুং লোকল ক্লবশিংগী মীয়াম্নসু হকথেংননা থোরক্তুনা জে এ সীনা চথরক্লিবা পুং ২৪গী মণিপুর পূম্বগী টোটেল শটদাউনদা মপূং ফানা শৌগৎলকখিবগীদমক্তসু তৌবীমল খঙবা উৎলক্লি।

চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংশিং অসি ষ্টেট লৈঙাক্লা মীয়ামগী পুন্সি ঙাক শেনবা ঙমদ্রে অমসুং পাঙথোকফম থোকপা মথৌ পাঙথোক্ত্রে হায়না পেন্দবা খোল্লাউগা লোয়ননা চঙশিল্লক্লিবনি। অদুম ওইনমক লন্নাই মীওই খরনা মীয়াম্বু খোঙজং অসিগী ওন্ন-তৈনবদা লান্না লমজিংনবা অরানবা ৱাফমশিং সোসল মীদিয়া গ্রুপশিংদা অপলোদ তৌনরকখিবা থৌওং অসি জে এ সীনা অঙকপা পোকই হায়রদুনা অসিগুম্বা থৌওংশিং অসিনা জে এ সীনা মীয়ামগা লোয়ননা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংশিংদা মায়থীবা পীবা ঙল্লোই হায়রি।

লোয়ননা জে এ সীনা লৈঙাক্তা পীশিনখিবা চার্টর ওফ দিমান্দশিং অদুদা য়াওরিবা ৱাফমশিং অদু থবক্তা ওন্থোরক্ত্রিবা ফাওবদি জে এ সীগী মায়কৈদগী দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা প্রোটেষ্ট খোঙজংশিং চথখিগনি হায়রি।

লোয়ননা হৌজিক্কী মতম অসি ষ্টেট অসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ কাঙলূপ খেন্নবা থিদনা অসিগুম্বা মীহাৎ অসিগী মায়োক্তা চপ মান্ননা লেপমিন্নদুনা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি অমুক হন্না মায়োক্নরক্তনবা হোৎনহৌগদবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

# সোসিএলিষ্ট রেভল্যুস্নরি পার্টিনা ৱাফম খরা থম্লক্লি...

*লামায় ১গী মখা...* পাংবদদি অচুম্বা সিষ্টম অমগী মখাদা পাংবা তারকই। লন্বী অসি সাইন্টিফিক সোসিএলিজমনা শোয়দনা পীগনি হায়বসি ঐখোয়না চেৎনা থাজে। হিষ্টোরিকেল দাইলেক্টিক্সনা পীরিবদি ইন্দিয়াগা ঐখোয়গা হায়বদি কংলৈপাক/মণিপুরগা নাৎ, চাকচা-যুথক, পুন্সি মরেল, য়ূমলৈ-কৈরৈ, য়ূম্বাল-কৈবাল, লৌউ-শিংউ, শেন্মীৎলোন, মালেম ৱাঙউলোন পূম্নমক্তা খেন্নৈ হায়বসিনি। খেন্নবা পূম্নমক অসিগী শক্তম ঙাক্লা নীংতম্বা ইরৈবাক অমা খুল্লিংনবগীদমক মান্নবা খুন্নাইদা য়ূম্ফম ওইবা লৈশেমলোন অমা লৈহনবা হায়সিনা ঐখোয়গী পান্দমনি। পান্দম অসি ফংনবগীদমক মার্ক্সিজম-লেনিনিজম অমদি মাওইজমদা য়ূম্ফম ওইবা সাইন্টিফিক সোসিএলিজমগী লৈঙাক-ৱাঙউলোন অসিনা ঐখোয়গী পোলিটিকেল দোক্ট্রিন ওইগনি। মসিনা ঐখোয়গী পোলিটিকেল প্রিন্সিপল ওইগনি। মরম অদুনা হেন্না মশক থোকপা অচুম্বা য়াওল লিক্লম অমদা লৌমী-শিন্মী মীয়াম হুপ্পা চৎমিন্নবা ঙমজনবগীদমক য়াওল্লুপ অসি শাফোংজরকপনি হায়না মীয়ামদা ফোঙদোরক্লি।

অদুবু অনৌবা য়াওল্লুপ সোরেপা থোরকপনা মরম ওইরগা য়াওল্লুপ মশেল মরক্তা নুংশি চান্ননা লৈজবা মরী অদুদি কায়হঞ্জনীংদে, কায়সু কায়জরোই। ৱাখল্লোন খেন্নদুনা লৈহৌরিবা কে ৱাই কে এল কাঙলূপ অমবু ইকায় খুম্নজদবা তৌজরোই। মতম শাংনা চৎমিন্নরক্তুনা য়াওল ঈহৌগী মচি ওইবা এক্সপরিএন্সশিং ফংহনবীরকপগীদমক কে ৱাই কে এলবু থাগৎচরি হায়রি।

ঐখোয়বু মতম শাংনা লমজিং লমতাক্তুনা চিংবীরকপা অমসুং চৎমিন্নরকপা অদুগীদমক মতম পূম্বদা ইকায় খুম্নজগনি। য়াওল্লুপ অমগা য়াওল্লুপ অমগা লৈনবা মরী অদু অদুমক কায়হন্দনা থমজগনি হায়রি।

সোসিএলিজমদা য়ূম্ফম ওইবা খুন্নাই অমা খুল্লিংদুনা নীংতম্না পানবা হায়বসিনা ঐখোয়গী ৱাখল্লোননি। কংলৈপাক/মণিপুরগী লৈহাওগা চান্নবা, মান্নবা খুন্নাই অমা শেন্মগী মঙ মঙবা হৈতবা য়াওল্লুপনা কংলৈ খুন্নাই নীংতম্বা পুরক্কনি হায়বসি ওইথোক্তে। য়াওল ঈহৌগা সাইন্টিফিক সোসিএলিজমগা অনীগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অদু উবা ঙমদ্রবদি ফন্না য়াম্না য়াওল ঈহৌ তৌনীংলবসু মীয়ামগা লোয়নবা য়াওল ঈহৌ অমা মাঙলোমদা খক চঙশিনবা ওইথোক্তে হায়বসি চহী ৪০/৫০গী থেংনরক্লিবা য়াওল লাম্থেং অসিনা তাকচরে হায়রি।

সোসিএলিজমগী লাম্থেংদি চিন্দা অমা ঙাঙলগা খূৎতনা অমা তৌবা, য়াওল লাম্থেংগী ৱাদি য়াম্না ঙাঙবা তৌথোরকপদনা মীয়ামগী ঈ চূপ্পশিংগী ইন্টরেষ্টতা থবক তৌরকপদু নত্তে। ‘খূত্তা পায়বনা ইতাওগী কুৎ লাওবনা ঐহাক্কী’ হায়বা থৌদৌদু তৌদুনা লৈরবদি য়াওলগী ফিদমদগী য়াম্না থাপ্পা নাথৈখিনি। চিন্দনা অমা ঙাঙবা থবক্তনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ইলেক্টোরেল পোলিটিক্সতা পূক্লিং হেন্না চঙবা, য়াওল লাম্থেংগী অচুম্বা লন্বী পীবগী মহুত্তা শেন্দাল লন্বী কদোমদা লৈবগে হায়বনা হেন্না থৱায় য়াওবা, ঐগী মীগী ইচা মীচা য়োংলৈ মেলৈ য়াম্না খায়বা, নেপোটিজমদা য়ূম্ফম ওইবা পোলিটিক্সনা য়াওল ঈহৌ তৌবা ঙল্লোই। কংলৈ খুন্নাই শেমগৎলকখিবা লৈশেমলোনগা চান্ননা অনৌবা সাইন্টিফিক সোসিএলিজমদা য়ূম্ফম ওইবা ইশাগী অপূনবা শক্তম মাঙহন্দনা নীংতম্বা খুন্নাই অমা শাগৎপা হায়বসিনা ঐখোয়গী অশেংবা য়াওল লন্বী ওইগনি হায়বসিদা চেৎনা থাজবা থমজরগা অনৌবা য়াওল্লুপ অসি শাফোংজরকপনি হায়না ফোঙদোরক্লি। সোসিএলিজম ৱিথ কংলৈ (মণিপুর) ফেদরেল কেরেক্টেরিষ্টিক হায়বসিদা য়াওল্লুপ অসিগী ৱাখল পান্দম থমজগনি হায়রি।

ঐখোয়গী খুন্নাই অসিগী সোসিও-কলচরেল কেরেক্টেরিষ্টিক অদুদা য়ূম্ফম ওইবা ঐখোয়গী অপূনবা ইথনো-কলচরেল/মল্টি-কলচরেল আইদেন্টিটি লৈজরকপা খুন্নাই অমনি। খ্বাইদগী কনবা তা-খৌশারোলদগীনা খ্বাইদগী থোৎ নৌবা লৈশেম জগোয়, মাইবী জগোয় ফাওবা পুথোকপা ঙম্বা য়াম্না মশক থোকপা তোপ তোপ্পা নাৎকী অপূনবা শক্তম অমা ঐখোয়গী মীরোলনা পুথদুনা লাক্লি। ঐখোয়গী ‘মল্টি-কলচরেল ইথনিক আইদেন্টিটি’ অদুদা য়ূম্ফম ওইবা ফেদরেল পোলিটি অমগী লৈশেম-লৈঙাকলোন অমা লৈজরকই। লমদম অসি ফুরুপ অমখক্কী লম নত্তে, মসিদি ফুরুপ পূম্নমক্কী ইতিনফমনি, মসিদি ফুরুপ পূম্নমক্কী নাওশুমফমনি। অপূনবা হাওমৈ টাই ফুরুপ চীংবুরোই তম্বুরোই অনীমক্কী লৈতাফমনি। খাংখুই শুরুংদগী চাদা নাওদা শন্দোরকখিবা, কৌব্রু চীংদোলদগী হৌমিন কামিন্নরকখিবা, মখেল লমদমগী নুংবী য়ুংমিন্নরকখিবা, মরাম নুংশেপ্পা জগোয় শামিন্নরকখিবা, লোক্তাক ইশাই ৯দা চোইজাইননা মাগী মাগী শক্তম ঙাকচনা হিংমিন্নরকখিবা, অপূনবা লৈহাও অমত্তদা চাওমিন্নরকখিবা ঐখোয়গী খুন্নাইনি। কনফিদরেল ওইবা লৈশেমলোনদা য়ূম্ফম থোন্দুনা শেমিন্নরকখিবা, চাওমিন্নরকখিবা ফুরুপ ফুরুপকী নীংতম্বা ঙাক্লা মশা মশাগী লৈশেমলোনবু ইকায় খুম্নদা হিংমিন্নরকপা ঐখোয়গী অপূনবা লৈঙাকনি। ফেদরেল সোসিএলিজম হায়বসি ফুরুপ খুদিংমক্কী লূ তোংদা চঙদুনা লৈরকখ্রবা লৈঙাক লৈশেমলোনগী মরু অদুনি। মসি ফুরুপ খুদিংমক্লা ইকায় খুম্নরক্তবদগী মরু ওইনা ইন্দিয়ন কোলোনিএলিজমগী মখাদা মীনাই ওইনা শাংনা লৈরকপসিদগী মসিগী ফজরবা ৱাখল্লোন অসি মাঙহনখ্রে। মদুগী মহুত্তা কোলোনিএল মাষ্টরশিংনা মতম মতমগী শেন্নকপা কোলোনিএল লোশিংনা ঐখোয় ফুরুপ মশেলগী মরক্তা হু কামশিন্দুনা ঐখোয় ইচিন ইনাওশিং খৎনহন্দুনা লাক্লি। হিষ্টোরিকেল দাইলেক্টিক্স (পুৱারী ৱাচুম শুবা) খঙদবা মীওইনা য়াওল ঈহৌ চিংবা য়ারোই হায়বসি ঐখোয়না থাজে। আইদিয়ালিজম অমদি স্পিরিচ্যুএলিজমদা থাজবা থম্বা কাঙবুনা য়াওল ঈহৌগী অচুম্বা মায়ওন পীবা ঙমদ্রে হায়বসি মালেমদা থোকখিবা মান্নবা খুন্নাই পুরক্লবগী য়াওল ঈহৌশিংনা অদুমক তাকচদুনা লৈরবা ৱাফমশিংনি। খুন্নাইগী মেটেরিএল কন্দিসনশিং অদুগী মতুংইন্না য়াওল ঈহৌ মাঙলোমদা পুখৎপগী মহুত্তা ‘অন্মম-থাজগী’ (স্পিরিচ্যুএলিজমগী) কুয়োম অমনা য়াওল্লোয়শিংবু য়োমশিন্দুনা থম্বীবা হায়বসিনা য়াওল ঈহৌদগী মায় লৈদুনা চেলহনখিনবগী মচাক ওইরকই। ইকোনোমিজম অমদি স্পিরিচ্যুএলিজম হায়বসি কেপিটেলিষ্টশিংনা মীয়াম পংথহন্নবা শীজিন্নবা হীদাক মখল অমনি। মসিদা য়াওল্লোইশিংবু থাজহন্দুনা পুবিনবা হোৎনবা হায়বসি য়াওল ঈহৌ অসি অমম্বা লোকনুংদা ঙকশম পায়দুনা ইন্থবগা চপ মান্নৈ। ৱাখল্লোন অসিদা লান্না লমজিংবীখিবা য়াওল্লোইশিং মমৈদা ঐখোয়গী য়েক্লবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মফমদা চঙজখি। ইকোনোমিজম অমদি স্পিরিচ্যুএলিজমনা য়াওল্লোই ওইবা তোকথোক্লগা ইন্দিভিজুএলিজম অমদি লিবরেলিজম লোমদা খোঙ থাংজিনখি। হৌজিক য়াওল ঈহৌ অসিনা থেংনরিবা নুংগী ওইবা ষ্ট্রগল অসি মসিনি। মসি লাম্থোকপা চঙই। মার্ক্সিজম-লেনিনিজম-মাওইজমদা য়ূম্ফম ওইরগা য়াওল ঈহৌ তৌমিন্নবা য়াবা য়াওল্লুপশিং পূনশিন্নবা চঙই। লিবরেল দিমোক্রেসি অমদি লিবরেল থোটনা ঙসিগী খুন্নাই অসিদা পীরক্লিবা খুন্নাইগী ময়োল থুদেকপা য়াবা ৱাখল্লোনশিং অসি য়াওল ঈহৌগী মায়োক্তা লৈবনি হায়না ঐখোয়না লৌই। ইন্দিয়াগী শেঞ্জাও পায়বগী লৈঙাক (কেপিটেলিষ্ট লৈঙাক) মখাদা চথহনবা য়ানবা লিশাংশিংনা চথদুনা লাক্লিবা, য়াম্নমক লিবরেল ওইবা ইলেক্টোরেল সিষ্টম অসিনা খুন্নাইগী মরুদা চিকথৎতুনা অনৌবা মশা য়ঙ-য়ঙ লাউনা ফরবা মীরোল অমা পুথোক্লক্কনি হায়বসিদি ঐখোয়না হান্নসু থাজদে, হৌজিকসু থাজদে। মসিনা খুন্নাই অসিগী ইনখৎলক্লিবা খুন্নাইগী য়ূম্বী ওইগদৌরিবা নহা কয়াগী মতিং মাঙহনবীরে হায়বসি ঐখোয় খঙমিন্নবা ফৈ। লেফ্ট রিফোর্মিষ্টশিংনা জর্মনদা কুমজা ১৯২০ অদুৱাইদা ইলেক্টোরেল পোলিটিক্সনা য়াওল অমা পুরক্তুনা মান্নবা খুন্নাই পুরকপা ঙমগনি হায়না থাজখিবদু লানখ্রবনি। ইলেক্টোরেল পোলিটিক্সনা পুল্লবা খুন্নাই অমা শেমদোক্তুনা সোসিএলিজম পুরক্কনি হায়বসি য়ুটোপিয়ন থোট ওইদুনা থোকখি। অমম্বদা থাজবসি ফত্তে, পোলোইদা রিফোর্মিষ্ট স্কুলদা চঙদুনা য়াওলগী পুন্সি লোইশিনখিনি হায়বসি থমজরি হায়রি।

ময়াং লৈঙাক্লা অরানবা য়ূম্ফমদা শেমগৎলকপা শেঞ্জাও পায়বা মীওইশিং মীয়াম্না নুংতিগী লৈকায়গী লৈরক খুল্লক অমদি লমজাওদা উবিরম্লগনি। মখোয়গী মচুম চাবা মীওইশিংসু মশীং নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি। থিকা তৌরগা মীয়ামগী মীৎমাংদগী ফোংনা শগুন তৌবা উবীরমগনি। মখোয়গা পূন্না হিপমিন চামিন্নবা এম এল এ, মিনিষ্টর ময়াম অমসু উবীরমগনি। মখোয় ময়াম অসি অমত্তা ওইনা পূনশিল্লগা মীয়ামগী লন মখোয়না চাথোকই। লৈবাকসিগী মীয়াম্বু উশিৎ থওইদনা মখোয়গী খুদোম্বীদা লৈদুনা পুগনি হায়না মখোয়না খল্লি। তৌসু তৌরি। মখোয়না নোংমগী খূৎশুমলনা হিংজবা লৌমী উশিত্তে, শিন্মী উশিত্তে। মখোয়গী খুরক্তগী চুমথরকপা মচুম অদু চাজবা মীওই খুজোক খরা মখোয়গী কমপ্রেদর (হুরানববু শৌগৎপা কাঙবু) ওইনা শেমগৎলি। থিকাদার, এম এল এ, মিনিষ্টর অমদি কমপ্রেদর পুল্লপ অসি পূনশিল্লগা মীয়াম্বু শুল্লগা চারি। মখোয় অসিনা পুল্লপ পুল্লগা লোইলম লৈঙাক অসি মখা চথহল্লি অমদি মরা চেৎশিলহল্লি হায়রি।

-মথং-মথং